# কোংগ্রেস অমসুং লেফ ফ্রন্টনা মহাকপু ইন্তুনবা কন্না হোৎনরি হায়না পি এম মোদিনা ফোঙদোকখ্রে

উদয়পুর, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

কোংগ্রেস অমসুং লেফ ফ্রন্টকী পার্টিশিংনা হিরম খুদিংমক্তা খুৎ থিংজিন্দুনা মহাকপু পাৱরদগী ইন্তুনবা কন্না হোৎনরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্রিপুরাগী উদয়পুরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ফোঙদোকখ্রে।



ত্রিপুরাগী মীয়াম্না ষ্টেট অদুদা চহী ২৫গী মতুংদা লেফ ফ্রন্ট লৈঙাক লৌথোক্তুনা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখিবনি। মমতা বেনর্জিগী ট্রিনামুল কোংগ্রেসনসু ত্রিপুরাদা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনখিবদা মীয়াম্না মায় পাকহনখিদে।

ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না মতম শাংনা খাংদুনা বিজেপিবু মফম অদুদা লৈঙাক পায়হনবগী খুদোংচাবা পীখি। মীয়ামগী রেল্লি অদুদা মোদিনা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা বিজেপিবু থাজবিবগীদমক ত্রিপুরাগী মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনবা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস অমসুং লেফ ফ্রন্টকী মায়কৈদগী এনদিএ লৈঙাক্না যুমলোন্নবা লৈবাক্তা ইন্দিয়াবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনবা টেররিষ্টশিংগা কন্না লাংথেংনবগী থবক চথরবসু মখোয়গী মরক্তা থাজবগী চাং নেমথখি।

মহাক্না লৈবাক অসিগী য়েক্ন বশিংদা চপ চানা পাউখুম পীখিবা খোঙথাং অদু অরানব্রা হায়না ঙসি তিনখিবা মীয়ামদা হংখি। কোংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টোবু নোক্নরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা গ্রান্দ ওল্ড পার্টি অদুনা চেনা ৫০-৬০ পানবা মেনিফেষ্টো অদুদা মিদল ক্লাস্তা লৈরিবা মীওই কাংলুপ অমত্তগী মরমদা পনখিদে। মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদসু খ্বাইদগী অৱাবা নংখিবা অদু মিদল ক্লাস কাংলুপনি।

অতোপ্পা পার্টি খরগা লোয়নননা কোংগ্রেসনা মিদল ক্লাস কাংলুপ্তগী অহেনবা টেক্স থিহনবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখিবা ফাওবা লৈখ্রবনি। লেফট পার্টিশিংবু এটেক তৌরদুনা মখোয়গী কন্সটিট্যুসননা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনদগী হেন্না মরু ওই হায়না খঞ্জবা কাঙবুনা করম্না লৈবাক অসিগী অফবা ওইরক্কনি।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবপু থাগৎলদুনা ষ্টেট লৈঙাক্না চহী ১গী মনুংদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎহল্লি। অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদসু খুৎমাং য়াম্না চাওশিল্লি হায়খি।

# ‘অপ হোগা ন্যাই’ হায়বা স্লোগান অমসুং ঈশৈগা লোয়নননা কোংগ্রেসনা লোক সভা কেম্প্যেইন হৌদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

কোংগ্রেস পার্টিনা ঙসি লোক সভা মীখলগী ফোর্মেল ওইবা কেম্প্যেইন ‘অপ হোগা ন্যাই’ হায়বা ঈশৈ অমসুং স্লোগান য়াওনা হৌদোকখ্রে।



কোংগ্রেসনা ফ্লেগসিভ প্রোগ্রাম অমা ওইগদৌরিবা বেসিক মিনিনম ইনকম স্কিম, ন্যাইদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম্থুথাজবা পীখি। মখা তনা পার্টি অসিনা বিজেপি লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা ‘অন্যাই’ (ইনজষ্টিস) লৈরে, মদু লৌথোক্কনি হায়না মীয়াম্দা থাজবা পীখি।

কেম্প্যেইন হৌদোকপা অদুদা কোংগ্রেসকী সেনিয়র লুচিংবা অনন্দ শর্ম্মানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ৫ অসিদা মীয়াম্না বিজেপি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক তৌদবা অমসুং মীয়ামদা পোৎলম কয়া য়ৌহনবা ঙমদবগী কম্পেইন য়াওখি। লান্না ৱাশকপনা লৈঙাকঅসিদা মীয়াম্না নোংম-নোংমগী থাজবা ৱাৎলক্কি।

কোংগ্রেস পার্টিগী থিম সোং অদু জবেদ অখতরনা ইবনি। অদুগা ভিদিওদা নিখিল অদবানিনা ওন্থোকপনি।

হায়রিবা ঈশৈ অসিগী ভিদিও লৈবাক অসি শীনবা থুংনা উহন্নবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ট্রকশিংদা অখন্ননা স্ক্রিন খিন্দুনা কোংগ্রেসকী ৱারোল অদু পুদুনা চৎকদৌরিবনি। তোঙান তোঙানবা কোংগ্রেস পার্টিশিংগী টুইটর একাউন্টদা ঈশৈ ময়েক অদুগী নুংগী ওইবা আর্থ অদু কোংগ্রেস পার্টিগী মরু ওইবা ৱাশকশিং অদু ফোঙদোকপনি।

মমাঙগী চয়োলদা কোংগ্রেসনা মেনিফেষ্টো পুথোকখি। মদুদা মীয়াম্না তঙাইফদনা চঙবা থবক, মিনিমম ইনকম, মহৈ মশিন তম্বা অমসুং হকশেলদা মায় ওনশিনবা মেনিফেষ্টো অমা ওইখি।

লৌউ-শিংউবগী মায়কৈন্দসু অকন্নবা মরু ওইবা ৱাশক কয়া য়াওরি। মদুগী মনুংদা ফার্ম লোন শিংবা ঙমদবশিংবু হান্না ক্রিমিনেল ওফেন্স ওইরম্বা অদু ওইহল্লোইদৌরি।

ন্যাইগী মখাদা কোংগ্রেস পার্টিনা খ্বাইদগী লাইরবা ইমুং মনুংশিংদা চহী অমদা লুপা ৭২,০০০ পীগনি হায়না অচেৎপা ৱাশক অমা থল্লি। পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধিদা মদু ওইথোকপা য়াগ্রদা হায়না হংবদা য়াগনি। অদুবু বিজেপিনদি ঙস্লোই হায়খি।

লৌমীশিংগী লোন কোকপীবা বিজেপিনা ঙস্লোই হায়খিবা অদু কোংগ্রেসনা ষ্টেট খরাদা থবক ওইনা উংপা লৈখ্রবনি।

# ই সিনা মীখল নুমিৎতা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট পুন্নমক অথিংবা থমখ্রে

গুৱাহাতি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কমিসননা পাউ-চেশিংদা লাক্কদৌরিবা লোকসভা মীখল নুমিৎ অমসুং নোংমা ৱাৎলিঙৈদা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট অমত্তা হাপ্পা য়ারোই হায়খ্রে।

ইলেক্সন কমিসনগী ৱাফম অসি করিগুন্বা ষ্টেট নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মাংজৌননা সর্টিফাই পীখ্রবা এদভর্টিজমেন্টশিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি হায়রি।

ঙসি অসামগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা মহাক্কী ওফিসতগী থোরকখিবা চেরোল অমনা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা মীরেপশিংনা প্রিন্ট মেদিয়াদা মীখল নুমিৎ নৎত্রগা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা তাঙ্কক খুদিংমক্কী ওইনা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপনি।

অদুবু ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা লৈরিবা মেদিয়া সার্টিফিকেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (এমসিএমসি)না মাংজৌননা সর্টিফাইদ তৌখ্রবা এদভর্টিজমেন্টশিং অদু হাপ্পা য়াগনি হায়রি।

অসামগী ওইনা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবদা অথিংবা থল্লিবা নুমিৎশিং অদুদি মীখলগী অহানবা ফেজগী ওইনা এপ্রিল ১০ অমসুং ১১, অনীশুবা ফেজগী ওইনা এপ্রিল ১৭ অমসুং ১৮ লোয়নননা অহুমশুবা ফেজগী ওইনা এপ্রিল ২২ অমসুং ২৩নি।

অসামদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা এপ্রিল ১১, ১৮ অমসুং ২৩দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসি লোকসভাগী সিট ১৪গীনি। ভোট মশিং থীবা নুমিৎনা মে ২৩নি।

# এমপিগী লম্মৈ চাকপদা ৩ শীরে, ২৫ শোক্লে মহৈ মরোং কয়া মাঙ তাকহনখ্রে

হোশঙগবাদ, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

মধ্যা প্রদেশকী হোশঙগবাদতা লৈবা দিষ্ট্রিক্টতা লম্মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা খুঙ্গং ৩০ রোমদা লৈবা মহৈ মরোং মাঙ তাকহনবতা নত্তনা মীওই ৩গী থৱাইমাংখিবা অমসুং ২৫ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থেকখিবনি। মফম অদুদা অকনবা নুংশিৎ শীৎখিবনা মরম ওইদুনা মৈ হৌরকফম অদুদগী মফম কয়া শনে দারক্তুনা খুঙ্গং ৩০ রোমগী মহৈ মরোংশিং তুম্না চাকখিবনি। হায়রিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৩ শীখি অমসুং ২৫ হেনবনা অশোক অপন নংখি।

থৌদোক অদু লৌফম খরদা পৈদুনা থম্বা চরু অমদি শীজিন্নদ্রবা অতোপ্পা পোৎলমশিং মৈ থাবা হৌরুবদগী অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপা মরম্না খুঙ্গংগী মীওইশিং অদুনা মুত্থৎপা ঙমদনা অকোইবদা লৈবা খুঙ্গং ৩০ রোম মৈ চাকখৎলকখি। মৈ অদু মুত্থৎনবা ফাইয়র সার্ভিসকী মায়কৈদগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রবসু মীওই ৩ শীখিবা অমসুং ২৫ শোকখিবা অদুদি কনবা ঙমখিদে।

# সিএম কমলনাথকী ওএসদি প্রবিনগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স ওফিসলনা রেইদ চথখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

দিল্লিদগী ইনকম টেক্স ওফিসলগী টিম অমনা ঙসি মধ্যা প্রদেশকী ইনে দারদা লৈবা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর কমলনাথকী ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুইটি (ওএসদি)গী থৌ পুরিবা প্রাবিন কাকরগী ময়ুমদা রেইদ চথখ্রে।





ইনকম টেক্স ওফিসল ১৫গী টিম অদুনা কাকরগী ময়ুমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা রেইদ চথখিবদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৯ রোম ফাগৎপা ঙমখি। কাকর মমাঙদা মধ্যা প্রদেশকী পুলিস ওফিসর অমা ওইরম্বনি।

পাউগী এজেন্সি অমগী মতুং ইন্না ইনকম টেক্স ওফিসলশিং অদুনা ভোপাল, ইন্দোর, গোৱা অমসুং দিল্লিগী মফম ৩৫ রোমদা রেইদ চথখি। মদুদা পুন্না আইটিগী ওফিসল ২০০ রোম শরুক য়াখি হায়রি।

ওফিসলশিং অদুনা দিল্লি অমসুং মধ্যা প্রদেশকী মফম ৫০দা রেইদ চথখিবা অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর কমলনাথ ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে। মহাক থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউঅমত্তা ফংদে হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী চহীদা মধ্যা প্রদেশতা কমলনাথনা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরক্লবা মতুং প্রাবিন কাকরবু মহাক্কী ওএসদি ওইনা থবক পুহনখিবনি। ষ্টেট অদুগী কোংগ্রেসকী মেদিয়া সেলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভুপেন্দ্রনা রেইদশিং অদুগীদমক বিজেপিবু মরাল শীখি।

# নিথারি মীহাৎকী কেসতা সুরেন্দর কোলি ১১শুবা মীওই ওইনা শীবগী চৈরাক ফংখ্রে

গাজিয়াবাদ, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

সিবিআইগী কোর্ট অমনা নিথারি মীহাৎকী কেসতা চেন্নবা সুরেন্দর কোলিবু কেস অসিদা ১১ শুবা ওইনা শীবগী চৈরাক পীখ্রে।

সিবিআইগী প্রোজিক্যুটর জেপি শর্ম্মনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা সুরেন্দ কোলিনা নিথারি কেস অসিগা মরী লৈননা মহাকপু ১১শুবা একুইজ ওইনা শীদ্রিবা ফাওবা থৌরি য়ান্দুনা থম্বগী দেথ সেন্টেস অদু পীখিবনি।

মরক অসিদা অতোপ্পা কেসতা চেন্নবা মীওই মনিন্দর সিংহ পন্ধের ইভিদেন্স ৱাৎপদগী শীবগী চৈরাক পীখিদে। জেপি শর্ম্মগী মতুং ইন্না কুমজা ২০০৫কী জুন ২১দা গাজিয়াবাদকী পন্ধরদা লৈবা ফ্লেট দি-৫তা ষ্টি তকপা লোইরবা ফিরোলশিং থিনবা চৎখিবী চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবী নুপী মচা অমা নুমিৎ নীনি হল্লকখিদবনি।

মমা মপানা নুমিৎ নীনি লৈরগা মফম অদুগী সেক্টর ২০দা লৈবা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখ্রবা মতুং কেস অদু সিবিআইদা ২০০৭কী জুন ১১দা শীন্নখি। লোয়নননা সিবিআইনা কেস অদুগী চার্জসিট ২০০৮গী এপ্রিল ৯দা কোর্টতা শীন্নরকখি।

সিবিআইগী কোর্ট অসিগী স্পেসল জজ অমিত বির সিংহনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সুরেন্দর কোলিবু মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। মদুগী মতুং থাংজ নুমিৎতা কোলিবু শীবগী চৈরাক পীবগা লোয়নননা লুপা ১,১০,০০০ ফাইন থিনবসু খঙহনখি।

২০০৬কী দিসেম্বর ২৬তা নোইদা পুলিসনা সুরেন্দর কোলিনা লৈরম্বা য়ুম অদুদগী কোক্কী শরু অমা ফংখি। দিএনএ টেষ্ট তৌবদা মাঙখিবা নুপী মচা অদুগী মকোক ওইরমদুনা কেস অসিগী সেন্টেন্স পীখিবনি।

# ইসিনা অরুনাচলগী থৌদোক এফআইআর লৌনবা হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী)ঃ

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অরুনাচল প্রদেশতগী লুপা ক্রোর ১.৮ গাড়ি অনীদগী ফাগৎখ্রবা মতুং ইলেক্সন কমিসননা ঙসি থৌদোক অদুগী মতাংদা এফআইআর অমা লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

ইলেক্সন কমিসনগী মায়কৈদগী অরুনাচল প্রদেশকী ইলেক্সনগী ওথোরিটিশিংদা ভোটরশিংবু শেল পীদুনা ভোট ফংনবগা মরী লৈননা পেনাল প্রোভিজন অমা লৈরিবা অসিগী মখাদা এফআইআর অমা থাগৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই থা অসিগী ৩দা অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা পাসিঘাটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা হান্না এমএলএ ওইরম্লবা দাংগি পর্মি অমসুং ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুতি সেক্রেটরী ওইরম্বা অমগী মমিংদা লৈবা গাড়ি অনীদগী লুপা ক্রোর ১.৮ ফাখিবনি। শেনফমশিং অদু ইলেক্সন কমিসনগী এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং কমিতিগী টিমনা ফাখিবনি। ইসিনা ষ্টেট সিইওদা এফআইআর অদু থাগৎনবা খঙহনখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR

DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT

NOTICE

Imphal, the 5th April, 2019

No.53/NAM/WHD-CELEBRATION/2019: The Directorate of AYUSH, Lamphelpat, State AYUSH Society, Manipur & Homoeopathy Medical Association, Manipur is going to observed World Homoeopathy Day on the eve of Birth Anniversary of the founder of Homoeopathy Dr. Christian Fredrich Samuel Hahnemann on 10th April, 2019 with one day conference on Homoeopathy at Indian Medical Association(IMA) Hall, Lamphelpat.

All the Homoeopaths, students, sympathisers and general public are informed to participate in the observation & requested to register themselves on or before 9th April, 2019 at Directorate of AYUSH during office hour.

HL-B/5326/8,9

Sd/- Dr. L. Promila Devi, Director AYUSH

Format C-2

## Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supremént Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name of Political Party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS)

*Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019)

Name of State/UT: MANIPUR

| 1 | 2 | 3 | 4 | | 5 | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl No | Name of Candidate | Name of Constituency | Pending Criminal Cases | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
| | | | Name of Court, case No. & Status of the case(s) | Section of the Acts concerned & brief description of offence (s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | K. James | 2-Outer Manipur (ST) Parliamentary Constituency | SPL. C.R 629/C/2007 Special Judicial Magistrate, Gauhati (No name in the FIR) | Under Section 120B/420/467/468/471 of IPC and Section 13(2) R.W. Section 13(1)(d) of P.C. Act, 1988 | NA | NA |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate
II-Outer Manipur (ST)
Parliamentary Constituency
17th Lok Sabha Election 2019

HL-B/5325/6,8,9

Format C-1

## Declaration about criminal cases

*(As per the judgement dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: K. JAMES
TANGKHUL HUNDUNG KHULLEN,
PHUNGYAR SUB-DIVISION,
P.S. LITAN, P.O. LAMLONG, KAMJONG DISTRICT,
MANIPUR – 795010.

Name of political party: INC (INDIAN NATIONAL CONGRESS).

*(Independent candidates should write 'Independent' here)*

Name of Election: 17th LOK SABHA (GENERAL ELECTION 2019).

*Name of Constituency: 2-OUTER MANIPUR (ST) PARLIAMENTARY CONSTITUENCY.

I, K. JAMES (name of candidate), a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

| Sl No | Pending criminal cases | | | Details cases of conviction for criminal offences | |
|---|---|---|---|---|---|
| | Name of Court | Case No. and status of case | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | Gauhati High Court | No. 95/2004 Criminal Appeal No. 300 of 2013 | Under section 468, 471 of IPC and 120B, 420, IPC | Gauhati High Court | Final hearing dt. 12.3.2019 and acquitted vide order 29.3.2019 by Hon'ble Mrs. Justice Rumi Kumari Phukan |

*In the case of election to Council of States or election on Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

Sd/- SHRI. K. JAMES, INC Candidate
II-Outer Manipur (ST)
Parliamentary Constituency
17th Lok Sabha Election 2019

HL-B/5325/6,8,9